# চেছ ওলিম্পিয়দ : ইন্দিয়া ‘বি’ টিমনা ওপন সেক্সনদা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে; ইন্দিয়া ‘এ’ ৱিমেননা ৩শুবা তাহৌরে




মমল্লাপুরম, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী মমল্লাপুরমদা চত্থরকপা ৪৪শুবা চেছ ওলিম্পিয়দ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া ‘বি’ টিমনা ওপন সেক্সনদা ব্রোঞ্জ মেদল অদুগা ইন্দিয়া ‘এ’ ৱিমেনসু অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়া ‘বি’না ফাইনেল রাউন্দ মেটচতা জর্মনিবু ৩-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি। ওপন সেক্সন অসিদা উজবেকিষ্টাননা নেদরলেন্দসপু ফাইনেল রাউন্দদা ২-১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি অদুগা অর্মেনিয়ন টিমনা স্পেনবু ২.৫-১.৫দা মায়থীবা পীদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

তোপ সীদেদ ইন্দিয়া ‘এ’ ৱিমেন্স টিমনা ১১শুবা অমদি ফাইনেল রাউন্দদা য়ু এস এগী মখূৎতা ১-৩দা মায়থীদুনা গোল্ড মেদলগী মঙলান কায়খি। কোনেরু হম্পীনা লুচিংবা ইন্দিয়া ‘এ’ ৱিমেন্স টিমনা ৩শুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

লান্না শোকহল্লবা য়ুক্রেননা ৱিমেন্স ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

রাউন্দ ১১ ফাওবা অমত্তা মায়থীদনা লাকখিবা উজবেকিষ্টাননা পোইন্ট ১৯ ফংলগা অনীশুবা অদুগা ইন্দিয়া ‘বি’না পোইন্ট ১৮ ফংলগা ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা অসিনা ওলিম্পিয়দতা ব্রোঞ্জ ফংবা অনীরকশুবনি। ইন্দিয়ানা ২০১৪গী এদিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বি অধিবনসু ২০১৪গী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা টিম অদুদা শরুক য়াখি। হন্দক্কী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা নহা ওইরিবা দি গুকেশকা লোয়ননা আর প্রগনন্ধ, নিখিল সরিন অমদি রোনক সাধৱানিনা শরুক য়াখি।

ৱিমেন্স সেক্সনদা তোপ প্লেয়র কোনেরু হম্পী অমদি আর ভৈশালিনা মখোয়গী গেমসতা গুলরুখবা অমদি ইরিনা ক্রশকা দ্রো ওইখি। টানিয়া সচদেব অমদি ভকথি কুলকর্নিনা কেরিসা য়িপ অমদি টাটেভ অব্রাহম্যানগী মখূৎতা মায়থীদুনা ইন্দিয়া ‘এ’ টিমগী গোল্ড মেদলগী মঙলান কায়খিবনি।

# সুনিল ছেত্রি, মনিশা কল্যাননা নুপা অমদি নুপীগী এ আই এফ এফ ফুটবোল্লর ওফ দি য়র তাখ্রে





ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
নেসনল কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিবু ঙসি ৭লকশুবা ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী নুপাগী ফুটবোল্লর ওফ দি য়র লাউথোকখিবগা লোয়ননা মনিশা কল্যানবু অহানবা ওইনা নুপীগী সিজন ২০২১-২২গী লাউথোকখ্রে।

ছেত্রি অমদি কল্যান অনীবু মখোয়গী নেসনল টিম কোচ আইগোর ষ্টিমেক অমদি থোমাস দেনর্বিনা নোমিনেট তৌখিবনি।

এক্টিভ ওইরিবা ইন্টরনেসনল প্লেয়রশিংগী মরক্তা অহুল্লকশুবা খ্বাইদগী য়াম্না গোল চনবা ঙম্বা ছেত্রিবু অহানবা ওইনা ২০০৭তা ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী মনা ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুং মহাক্না ২০১১, ২০১৩, ২০১৪, ২০১৭, ২০১৮-১৯ সিজনশিংদা ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা, সুনিল অসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী য়াম্না গোল চনবা শান্নরোয়নি। মহাক্না গোল ৫ চনখিবগা লোয়ননা এস এ এফ এফ কপতা প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনাসু ফংবা ঙমখি হায়খি।

সুনিলনা কোলকাটাদা পাঙথোকখিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ক্বালিফায়র্সকী অহুমশুবা রাউন্দগী গেম ৩ শান্নখিবদা মহাক্না লুচিংদুনা গোল ৪ চনবা ঙমখি হায়না ষ্টিমেকনা মখা তাখি।

কল্যানগী ওইনা অহানবা ওইনা ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী মনা ফংবা ঙমখি। মহাক ২০২২-২১ সিজনদা ইমর্জিং ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী মনা ফংবা ঙমখিবনি।

মনিশানা নেসনল টিম অমদি মহাক্কী ক্লবতা আউটষ্টেন্দিং ওইবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি। মহাক্না গোল চনখিবগা লোয়ননা চাং নাইনা এসিষ্ট কয়া অমসু তৌখি হায়না দেনর্বিনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা এৱার্দশিংদা নেসনল টিম কোচ অনীনা মার্টিনা থোকচোমবু ২০২১-২২গী ৱিমেন্স ইমর্জিং ফুটবোল্লর ওফ দি য়র অদুগা বিক্রম প্রতাপ সিংহবু ২০২১-২২গী মেন্স ইমর্জিং ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী খনখি।

ক্রিষ্টল জোন অমদি উজ্জল হল্ডরবু বেষ্ট রেফরি অমদি বেষ্ট এসিষ্টেন্ট রেফরি ওফ দি য়র মনাগী খনখি।

# ভোলিবোলগী নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ষ্টেট গেমস (মণিপুর ওলিম্পিক গেমস) ২০২২গী ভোলিবোল মশান্নদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা খনগৎলবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংগী ওইবা নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভোলিবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ৱাই বাবুমচানা খঙহল্লক্লি।

নুপী টিমগী ওইনা সেঞ্জম চিরাং ভোলিবোল কোর্টতা থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ৬.৩০দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি অদুগা নুপা টিমগী ওইনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম ভোলিবোল কোর্টতা থা অসিগী ১৬কী অয়ূক পুং ৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

খনগৎলবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী কোচশিংদা ফুল কিটশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# অম্ফা ৱিমেন্স লীগ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ওইনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২২ হন্দক ষ্টেট লৈঙাক্না ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা সী এম এস তৌবা লোইশিনবা ঙমহৌদবদগী মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা লীগ অসিগী নৌনা লেপকদবা মতম অথুবদা খঙহল্লক্লগনি হায়রি।

# ফামনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
হন্দক্তা জুলাই ২৮দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা য়ুনাইটেদ কিংদমগী বর্মিংহমদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা কমনৱেল্থ গেমসতা মেদল লৌরকখ্রবা পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি (ফাম)দগী হৌখিবা ওলিম্পিয়ন শান্নরোয় শংলাকপম নিলকান্তা, সুশিলা পুখ্রম্বম অমদি ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়ারুরবী শান্নরোয় বিচু খারিবমনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপদা পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুরগী মায়কৈদগী হরাউবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ফামগী জেনরেল সেক্রেটরি এন রামেশ্বর মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা শান্নরোয় অহুম অসিনা লাক্কদৌরিবা ২০২৪গী ওলিম্পিক্সতসু শরুক য়াবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজাল পীরকপগা লোয়ননা ফামগী মায়কৈদগী মপূগী মফমদা থৌনীজরি হায়রি।



## ৬৬ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী অর্বিন্দ, জেনস, দেবাজিৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচএন এস):
মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ৬৬শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি দি এম য়ুনিভর্সিটি কমপ্লেক্সতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর হোলদা শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ৬৪গী মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনগী কোন্থৌজম অর্বিন্দ, জেনস কাংজম অমদি ক্ষেত্রিময়ুম দেবাজিৎ মায় পাকখ্রে।

কোন্থৌজম অর্বিন্দনা ইম্ফাল ইষ্টকী নান্দেবম বারুনিবু ২১-১৬, ২১-১৫দা; জেনস কাংজমনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী বিদ্যানন্দ লোংজমবু ২১-১১, ২১-১৩দা অদুগা ক্ষেত্রিময়ুম দেবাজিৎনা কে জে দি বি এগী এ এস খাঙমপামবু ২১-১৩, ২১-১৭দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেন্স সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ৬৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রেঙাহন কসারনা কাংপোকপীগী পাওবোইথাং হাওকিপপু ২১-৬, ২১-৮দা; বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কলেনয়াই খ্বাইরাকপমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মালেমঙানবা হৈগ্রুজমবু ১৬-২১, ২১-১৬, ২১-১০দা; এ সী দি বি এগী কে ঐচ ওলৱিন্সননা ইম্ফাল ইষ্টকী চাকপ্রম য়াইফববু ২১-১২, ২১-৬তা অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেমাম মালেমঙানবনা থৌবালগী এম দিনৱাজ সরিফপু ২১-৮, ২১-৭তা মায়থীবা পীখি।

বোইজ সিঙ্গলস অন্দর ১৩ কাঙলূপকী রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচশিংদা বিষ্ণুপুরগী মার্টিন ইঙুদমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিরোম বোসপু ২১-১১, ২১-১৫দা; কাংপোকপীগী ময়াংলম্বম রুষ্টমনা জিরিবামগী নাম্রম গিভসন মৈতৈবু ২১-১৫, ২৩-২১দা; ককচীংগী ওকেন মোইরাংথেমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সোরোখাইবম লনহেনববু ২১-৭, ২১-১৫; ইম্ফাল ইষ্টকী য়াংবা মৈতৈনা জিরিবামগী টি ঐচ সঞ্জুবু ২১-৮, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখি।

কাঙলূপ অসিগী অতোপ্পা মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইরেনময়ুম লুৱাংবা, সাপম শ্যামচন্দ্র, ইরিকখোম্বা খুরাইজম, মোইরাংথেম সুরজ, অহেনবা খ্বাইরাকপম; ইম্ফাল ইষ্টকী প্রিয়ান লাইরেনময়ুম, সেরাম সনসন মৈতৈ, গোলমৈ পাওথাংলুং, অঙোমচা সায়োনবা; বিষ্ণুপুরগী অলেক্স নিংথৌজম, রিশব ঙাঙোম অমদি এ সী দি বি এগী ভানদম থোইতক চিরু মায় পাকখ্রে।

বোইজ সিঙ্গলস য়ু-১১গী রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মঙালসনা সাপম, চিরোম নেটকোভর মায় পাকখ্রে।

# ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
গুজরাটতা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসকী রোৱিং অমদি কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং অমদি রোৱিংগী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৪গী অয়ূক পুং ৭তা তাকমুদা লৈবা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর টি দুশন্তনা খঙহল্লক্লি।

রোৱিংগী ওইনা দবল স্কল, কোক্সলেস প্যের অমদি কোক্সলেস ফোর ইভেন্টশিংদা অদুগা কেনোয়িং এন্দ কয়াকিংগী ওইনা কে ১ অমদি সী ১ ইভেন্টশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা মোরে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২ মোরেগী গমনোম ভেং ভিলেজদা থা অসিগী ৫দগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী পূন্না টিম ১০না শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা মোরে বট্টালিয়ননা পাইপ বেন্দ দিসপ্লে অমসু মীয়ামদা উৎখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট দুরান্দ কপবু প্রমোট তৌবা ওইনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা তেংনৌপল য়ুথ ক্লব অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তেংনৌপল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

মেটচ অসিদা তেংনৌপল য়ুথ ক্লবনা অসাম রাইফলস টিমবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

থৌরমগী মনুং চন্না অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গং ১০- লমকাং খুনৌ, ফালবুং, তেংনৌপল, সেনাম, চেলেপ, সাইবোম, লোইসি, চামোল, লৈতান অমদি লোন্তেগী খুঞ্জাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

# সাইক্লিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপী সাইক্লিষ্টশিংগী ওইবা ওপন ট্রায়ল কম্পিটিসন অমা মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৭.৩০দা খুমন লম্পাক সাইকল ভেলোদ্রোমদা পাঙথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসিদগী ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপী সাইক্লিষ্ট ৩/৩ খনগনি। মসিগী মথক্তা সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (সী এফ আই)গী মমাংগী এচিভমেন্টশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা রিজর্ভ শান্নরোয় ১ খনগনি।

মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসননা এম ও এদা থা অসিগী ১৫গী অয়ূক পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা সাইক্লিষ্টশিংগী মমিং পীশিনগদবনা মরম ওইরগা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদবা রাইদরশিংনা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা মখোয়-মখোয়গী আধার কার্দ জেরোক্স কোপী অমদি পাসপোর্ট সাইজ ফোটো ৩/৩ সাইগী কোচ ও বসন্তদা হ্বাটসএপ্ নম্বর ৮৭৯৪৯৯৪৫২৯দা পীশিল্লক্লবা অমদি কম্পিটিসন অসিগীদমক সাইকল ভেলোদ্রোম খুমন লম্পাক্তা থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৭তা রিপোর্ট তৌরনবসু খঙহল্লক্লি।

# সেপাক টাক্রোগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
কর্নাটাকানা য়ূম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ৩দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা সব-জুনিয়র সেপাক টাক্রো নেসনল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গর্লসতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৩দগী ১৬ ফাওবা হৈঙাং মখা লৈকাইদা লৈবা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি দুর্জিৎনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ট্রায়ল সেলেক্সনদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিংনা ২০০৮গী জান্যুৱারী ১দা পোকপা নৎত্রগা মসিগী মতুংদা পোকপা ওইগদবনি। শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী আধার কার্দ অমসুং বর্থ সর্টিফিকেট লোয়নরক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ৭.৩০দা ট্রায়ল সেলেক্সন মফমদা সেক্রেটরি দুর্জিৎতা রিপোর্ট তৌরনবসু খঙহল্লক্লি।


# ষ্টেটকী শান্নরোয় ৭না ইন্দিয়ন মুইএ থাই টিমদা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):
মালেসিয়াগী কোনুং কুৱালা লুম্পুরদা থা অসিগী ১২দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র য়ুথ আই এফ এম এ মুইএ থাই ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয় অমদি ওফিসল ৩৮ খনবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদগী নুপা ৬ অমদি নুপী ১ পূন্না শান্নরোয় ৭না শরুক য়ারগনি।

শান্নরোয়শিং অদুদি সব-জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপ্তা অয়াংপল্লিদগী নাওরেম লিগার্দসন মঙাং (কেজি ৪৩), কোংপাল চনমদগী থোকচোম বির্জিৎ (কেজি ৫১), জুনিয়র য়ুথতা কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী খুন্দ্রাকপম ষ্টেলিন (কেজি ৪৮), চুড়াচান্দপুরদগী লালদিটসক (কেজি ৫৯), অয়াংপল্লিদগী হঞ্জবম অশাজিৎ (কেজি ৬২), অয়াংপল্লিদগী খুন্দ্রাকপম রোদ্রিক (কেজি ৭৯) অমদি চঙাঙ্গৈদগী অহোংশাংবম এলিনা (কেজি ৬০)নি।

ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং ঙসি নুংথিল ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসনগী চঙাঙ্গৈদা লৈবা ওফিসতগী লমথাদুনা মালেসিয়াগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 539

**GM Va Moiseenko (2546) - Nikolay Zhugin (2088)**
**Tuapse Rapid Open 2022 Tuapse RUS, 2022.06.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 c5 | 2.c4 Nc6 | 3.Nc3 g6 | 4.e3 Nf6 |
| 5.d4 cxd4 | 6.exd4 d5 | 7.cxd5 Nxd5 | 8.Qb3 Nxc3 |
| 9.Bc4 Nd5 | 10.Bxd5 e6 | 11.Bxc6+ bxc6 | 12.O-O Qd5 |
| 13.Qc3 f6 | 14.Re1 Kf7 | 15.Bf4 Be7 | 16.a3 a5 |
| 17.Nd2 Bd7 | 18.Nc4 a4 | 19.Rac1 Ra6 | 20.Qg3 h5 |
| 21.h4 Rg8 | 22.Bd6 Bd8 | 23.Bc7 Ra7 | 24.Bxd8 Rxd8 |
| 25.Qf4 Kg7 | 26.Ne3 Qb3 | 27.Qd6 Re8 | 28.Nc4 Qb5 |
| 29.Qg3 Qb8 | 30.Nd6 Rd8 | 31.Re3 Kh7 | 32.Rc5 Ra6 |
| 33. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 538 Ans. :**
35. Rxe8 Qxe8 36. c4 Re5 37. Qxe5 The white queen deflects Black's queen away from protecting the square a8. The white queen captures Black's rook, which was defending Black's queen. Opening the line from a8 to h8. Qxe5 38. Ra8+ Bc8 39. Rxc8+ Qe8 40. Rxe8# Back-rank mate
1-0

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mut. Case No. 674/SDC/Hng/IE/2022**
Wahengbam Memma Devi W/o (L) Laishram Radheshyam Singh of Thangmeiband Hijam Dewan Leikai -Petitioner
-Vs-
(Late) Romeshchand Laishram S/o (L) Laishram Radheshyam Singh of Thangmeiband Hijam Dewan Leikai -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated : 8-8-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. ৬-কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ২৯, ১২৮ অনৌবা পাট্টা নং ৮৫/৬৯৮, দাগ নং ১৩৮/৮১১, এরিয়া .০৮ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ৪ মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.
HL-P/3641/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mut. Case No. 673/SDC/Hng/IE/2022**
Wahengbam Memma Devi W/o (L) Laishram Radheshyam Singh of Thangmeiband Hijam Dewan Leikai -Petitioner
-Vs-
(Late) Romeshchand Laishram S/o (L) Laishram Radheshyam Singh of Thangmeiband Hijam Dewan Leikai -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated : 8-8-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. ৬-কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ২৯, ১২৮ অনৌবা পাট্টা নং ৬৯৮/১০১৪, দাগ নং ৮১১/১১২৪, এরিয়া .০৫ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ৪ মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.
HL-P/3641/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**
**Ref. Mutation Case No. 233/SDC/NTK/2022**
1. Loukrakpam Modhu Singh S/o (L) Gandha Singh of Naranseina Mamang Leikai.
2. Loukrakpam Shyamkanhai Singh S/o (L) -do- of -do- - Petitioners
-Versus-
Late Co-Pattadar no. 6. Loukrakpam Gandha Singh S/o (L) Gulap Singh of Naranseina. - Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Ningthoukhong, the 9th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 48-Naranseina village গী Patta no. 33 (O), 267 (N) CS Dag no. 1378 Area 0.2575 out of 0.77 acre of Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong
HL-P/3382/10

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/8-28/9

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE - XI Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 1st August, 2022
FOUNDATION COURSE - XII Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 8th August, 2022
Special features
●NEET & Engg. Nurture Class
●Unitwise / Chapterwise Test (every Sunday)
●Descriptive / MCQ Type Test
●Hostel for Boys & Girls
For more details, please contact:
Coordinator, APOLLO Academy
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
(7:00 a.m. - 4:00 p.m.)
8258013846
HL-B/7662/3/17-14/8 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com